# ৱর্ল্ড কপঃ ইসমল সাইবারিগী পাঞ্জলনা মোরোকো মায় পাকহনখ্রে, ব্রাজিলগী মখুৎতা মায়থীহৌরবা হাইটিনা রাউন্দ ওফ ৩২দা ক্কালিফাই ওইবা ঙমদবা অহানবা লৈবাক ওইরে



য়ু এস এগী আইলর অদামস অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথিয়ু লেকিনা বোল মুন্নবা

**সিট্টল, জুন ২০ (এজেন্সী):**
য়ু এস এ, মেক্সিকো অমদি কানাদানা য়ুম্বু ওইরগা চথুরিবা ফীফা ৱর্ল্ড কপ ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ইসমল সাইবারিগী পাঞ্জলনা মোরোকো মায় পাকহনখ্রে,য়ু এস এনা ওষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিলনা হাইটি, পেরাগুয়এনা টর্কি অদুগা নেদর্লেন্দসনা স্বিদেন মায়থীবা পীখ্রে।

### য়ু এস এ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া

ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা য়ু এস এ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা গ্রুপ দিগী মেটচ শান্নবা হৌখি।

য়ুম্বু য়ু এস এনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৫-৪-১ ফোর্মেটতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপদগী য়ুম্বু য়ু এস এগী শান্নরোয়শিংবা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা য়ু এস এনা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেক মশিং হেন্না চথুদুনা শান্নবা ঙল্লবসু পাঞ্জল চনবা য়াবা শুট মশিং য়াম্না কাওবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ১১ শুবা মিনটতা য়ু এস এনা চথুরকখিবা ফজরবা কাউন্তর এটেক অমা থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী সী বর্গেসনা মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিঞ্জখি। শোয়বদগী চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিংদা নীংহন্নবা পোকহনখ্রবসু য়ুম্বু য়ু এস এগী ওইনদি অনৌবা থৌনা অমা পীবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী অশোয়বা অদু মেনখৎনবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অমরোমদা, বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা য়ু এস এগী মায়কৈদগী ৪৩ শুবা মিনটতা খোঙলৈ থুনা কাউন্টর এটেক অমা চথুরকখি। কাউন্টর এটেক অদু শান্নরোয় ফ্রীমেননা হেদ তৌশিন্দুনা পাঞ্জলদা ওন্থোকখিবগা লোয়ননা হাফ লোইবা ফাওবদা য়ু এস এনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা

| Date & Time in IST | | Match | | Group | Match No. | Venue |
|---|---|---|---|---|---|---|
| June 21, 2026 | 01.30 am | Germany | Ivory Coast | E | 34 | BMO Field, Toronto |
| | 05.30 am | Ecuador | Curacao | E | 35 | Arrowhead Stadium, Kansas City |
| | 09.30 am | Tunisia | Japan | F | 36 | Estadio BBVA, Monterrey |
| | 09.30 pm | Spain | Saudi Arabia | H | 37 | Mercedes-Benz Stadium, Atlanta |

পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অদু য়ুম্বু য়ু এস এনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি।

### স্কোটলেন্দ অমসুং মোরোক্কো

ঙসি অয়ুক পুং ৩.৩০ তাবদগী হৌরগা বোষ্টোনদা লৈবা জিলেট ষ্টেদিয়মদা স্কোটলেন্দ অমসুং মোরোকোগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি।

স্কোটলেন্দনা ৫-৩-২ ফোর্মেটতা অদুগা মোরোকোনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মোরোকোগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মোরোকোনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬০ ওইখিবা মতমদা স্কোটলেন্দনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪০ ওইখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ২ শুবা মিনটতা মোরোকোগী ইসমল সাইবারিনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা স্কোটলেন্দদগী পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা স্কোটলেন্দগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজ ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মোরোকোগী হৈশিংলবা দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী এটেকশিং অদু থিংদুনা অরেম্বদা তাহনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মোরোকোনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।

### ব্রাজিল অমসুং হাইটি

অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবদগী ফিলাদেলফিয়াদা লৈবা লিঙ্কলন ফাইনান্সিএল ফিল্ডদা ব্রাজিল অমসুং হাইটিগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি।

ব্রাজিলনা ৪-৪-২ ফোর্মেটতা অদুগা হাইটিনা ৫-৪-১ ফোর্মেটতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ব্রাজিলনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা ব্রাজিলনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৭ ওইখিবা মতমদা হাইটিনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৩ ওইখি।

টিম অনীগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ২৩ শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী কেপ্টেন মেথিয়ুস কুনহানা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ৩৬ শুবা মিনটতা টিমগী অমদি মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা ব্রাজিলগী বিনসিয়স জুনিয়রনা মখোয়গী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক হাইটিগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী ব্রাজিলনা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা হাইটিগী মায়কৈদগী মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ব্রাজিলনা পাঞ্জল ৩-০দা লাকচনা মায় পাকপা ঙমখি।

### পেরাগুয়এ অমসুং টর্কি

অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদগী হৌরগা সান ফ্রন্সিসকো বে এরেনাদা লৈবা লেভিস ষ্টেদিয়মদা পেরাগুয়এ অমসুং টর্কিগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি।

লৈবাক অনীনা চপ মান্নবা ফোর্মেট ৪-২-৩-১ দা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টর্কিগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা টর্কিনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৭৮ ওইখিবা মতমদা পেরাগুয়এনা বোল পায়বগী চাং চাদা ২২ খক্তমক ওইখি। মেটচ অসিদা টর্কিনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লবসু মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ২ শুবা মিনটতা পেরাগুয়এগী মাটিয়াস গলর্জানা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। হৌগৎলকপদা চনখিবা মাটিয়াসকী পাঞ্জল অদুনা মখোয়গী টিমগী শান্নরোয়শিংদা অনৌবা থৌনা পীখি। মেটচ অসিদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা টর্কিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি।

মেটচ অসিদা টর্কিনা শুট ৩৩ কাওবা ঙমখিবগী মনুংদা টর্গেট শুট ৭ য়াওখি অদুবু হায়রিবা শুটশিং অদু পেরাগুয়এগী দিফেন্দরশিং অমদি গোল কিপরনা থিংদুনা অরেম্বদা তাহনখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পেরাগুয়এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা পেরাগুয়এগী শান্নরোয় মিগুএল অলমিরোনবু রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা টর্কিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা এটেকশিং চথুদুনা শান্নখি। অদুমওইনমক পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাফতা শান্নরোয় অমা তান্থোকখিবদগী মী মশিং ৱাৎলবসু পেরাগুয়এগী শান্নরোয়শিংনা নীংহন্নবা তৌদনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা এটেকশিং চথুখি।

নাকল অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টর্কিগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু পেরাগুয়এনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি। মেটচ অসিদা টর্কিনা কোর্নর কিক ১২ রক কাওবগী খুদোংচাবা ফংলবসু পাঞ্জল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেটচ অসিদা পেরাগুয়এনা কোর্নর কিক অমা ফাওবা কাওনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে।



ব্রাজিলগী মেথিয়ুস কুনহানা হাইটিগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং ভিনসিয়স জুনিয়র (ওই) অমদি লুকাসকা হরাওবা ফোঙদোকমীন্নবা

### নেদর্লেন্দস অমসুং স্বিদেন

ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ তাবদগী হৌরগা নেদললেন্দ অমসুং স্বিদেনগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। হুষ্টনদা লৈবা এন আর জি ষ্টেদিয়মদা নেদর্লেন্দসনা ৪-৩-৩ ফোর্মেটতা অদুগা স্বিদেননা ৩-৫-২ ফোর্মেটতা মেটচ শান্নবা হৌখি। লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নেদর্লেন্দসকী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। নাকল অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী হৌগৎলকপা ৫ শুবা মিনটতা নেদর্লেন্দসনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ব্রাইন ব্রোবেনা চনখিবনি।

মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৭ শুবা মিনটতা ব্রাইন ব্রোবেনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। স্বিদেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঙমখিদবদগী নেদর্লেন্দসনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৪৭ অমদি ৫৪ শুবা মিনটতা নেদর্লেন্দসকী কোদি গাকপোনা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থাখি। মেটচ অদুগী ৫৯ শুবা মিনটতা স্বিদেনগী এন্থোনি এলাঙানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

টিম অনীগী মরক্তা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা নেদর্লেন্দসনা পাঞ্জল চনবা য়াবা এটেকশিং মশিং হেন্না চথুদুনা শান্নখি। স্বিদেনগী ওইনসু পাঞ্জল হন্দোকপা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং চথুদুনা শান্নখি। মেটচ অদু লোইগদবা মিনট ১ খক্তা ঙাইরবা মতমদা নেদর্লেন্দসকী সী সম্মরভিলনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু নেদর্লেন্দসনা পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাকখি। হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিগী ওইনা ঙসি ব্রাজিলগী মখুৎতা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীহৌরবা হাইটিনা রাউন্দ ওফ ৩২দা ক্কালিফাই ওইবা ঙমদবা অহানবা লৈবাক ওইরে।

# সী সী মীটঃ উৎলৌ এফ সীনা য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এসোসিএশন খুরাই থোইরগা ফাইনেল চঙখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):**
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা মীয়াম্না সী সী মীট হায়রগসু হেন্না খঙনরিবা ৬৫ রক শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা উৎলৌ এফ সী, নম্বোলনা য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এসোসিএশন (য়ু এস এ) খুরাই থোইরগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ববিনা গ্রুপনা স্পোন্সর তৌরগা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল টিম ২৮না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৪দা এইম খাবম লমখায় অমসুং উৎলৌ এফ সী নম্বোলগী মরক্তা শান্নরগনি।

চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা উৎলৌ এফ সী অমসুং য়ু এস এগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুমওইনমক মেটচকী ১৫ শুবা মিনটতা উৎলৌ এফ সীগী খাইদেম অমরজিৎনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩৬ শুবা মিনটতা য়ু এস এগী সৌবাম লোয়াঙম্বা মৈতৈনা পাঞ্জল অদু ইক্কেলাইজ তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫৯ শুবা মিনটতা উৎলৌ এফ সীগী অমরজিৎনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা য়ু এস এগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু উৎলৌ এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয় ৩/৩দা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# ইন্টরনেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুবশিং তরাম্না ওকখ্রে




**ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):**
ওল মণিপুর সেপাকটাক্রৌ এসোসিএশন (এ এম এস টি এ)না শীন্দুনা ঙসি পি য়ু সী কাইরং মনীং লৈকায়গী মল্টিপর্পজ হোলদা ইন্দিয়াগী অমদি ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা নেশনল অমদি ইন্টরনেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী সেপাকতাক্রৌ শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে।

নেশনল অমদি ইন্টরনেশনল সেপাকতাক্রৌ শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা এ এম এস টি এগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু জিতেন, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট দি ৱাই এ এস ও টি ঐচ মঙ্গিচান্দ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেপাকতাক্রৌ এসোএশনগী প্রসিদেন্ট কে ব্রজবিধুনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা মালেসিয়াগী ক্কালালম্পুরদা চহী অসিগী মে ১৬তগী ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা আই এস টি এ এফ সেপাকতাক্রৌ ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয় এস মালেমঙানবা, এম অশোক অমদি কে ঐচ হেলেন্দ্রোগা লোয়ননা ইন্দিয়ান টিম কোচ পাওস্নম দুজিৎনা লুচিংখিবা অদুগী ক্বাদ্রেন্ট ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। মসিদা নত্তনা অতোপ্পা চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1854**


**CM Avyukt Dasgupta (2172) - FM T. Wall (2170)**
**4NCL Div 2 2025-26 England ENG, 2025.11.02**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.Nf3 Bf5 | 3.c4 e6 | 4.Qb3 Nc6 | 5.a3 Rb8 |
| 6.Nc3 Nf6 | 7.Bg5 Na5 | 8.Qa4+ c6 | 9.cxd5 b5 | 10.Bxf6 gxf6 |
| 11.Qd1 cxd5 | 12.e4 dxe4 | 13.Nh4 a6 | 14.Nxf5 exf5 | 15.g3 Nc6 |
| 16.Ne2 Bd6 | 17.Bh3 Ne7 | 18.Qd2 h5 | 19.O-O h4 | 20.Kg2 Qd7 |
| 21.Rad1 hxg3 | 22.hxg3 Nd5 | 23.Nc3 Nxc3 | 24.Qxc3 Rxh3 | 25.Kxh3 f4+ |
| 26.g4 Ke7 | 27.f3 e3 | 28.Qd3 Qe6 | 29.Kg2 Rg8 | 30.d5 Qe5 |
| 31.Kh3 Qg5 | 32.Qe4+ Kd7 | 33.Rh1... | | |

**QUESTION : Black to checkmate**

**Puzzle 1853 Solution :**

**42. Rh8+** *The white rook decoys Black's king. The white rook deflects Black's king away from protecting the knight.* **Kxh8**
**43.Qxf8+ Bg8** *Blocking square g8.*
*43...Rg8 44.Qh6#*
*43...Kh7 44.Rh2+ Bh3 45.Rxh3#*
**44. Rh2+ Rh7 45.Qf6#** *Fool's mate*
**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com